# আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা পি এম কেন্দিদেট ওইরক্লবদি বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি : হিমন্তা বিস্ব সর্ম



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): মথংগী জেনরেল ইলেক্সনদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱালবু নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইনা পুথোরক্লবদি বি জে পিনা য়াম্না লায়না অমদি লাকচনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

দিল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টির নরেন্দ্র মোদিগী মেইন চেল্লেঞ্জর অসি আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না আরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমদি মহাক্কী পার্টি এ এ পিবু মশক খঙদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা বি জে পিগী ওইনদি কেজ্রিৱালগা মায়োক য়াবা মতমদা য়াম্না লায়না থোক্লগনি। কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফম্নি। অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদা অচেৎপা থাজবা লৈ হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি হায়রি।

অমরোমদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা আরবিন্দ কেজ্রিৱালগী অচৌবা ৱেব অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়বসি বি জে পিনা খঙবদগী দিল্লিগী লৈঙাকপু থুগায়নবা তাঙ্কক কয়ারক্তা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু দিল্লিদা লৈরিবা মীয়াম্না কেজ্রিৱালগী লৈঙাক অসিবু পান্থদগী সেন্টরনা থুগায়নবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রিবনি। দিল্লিগী ওইনা লৈরিবা এদ্যুকেসন, ট্রান্সপোর্ট অমদি হেল্থ সেক্টরশিংদা মাঙজিল থানা চাওখৎলক্লিবা অসি কেজ্রিৱাল লৈঙাক্লা থস্মোয় শেংনা থবক তৌবননি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। দিল্লিগী মীয়ামখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কেজ্রিৱালগুম্বা মীয়ামগী খনবা অফবা লুচিংবা অমা পাম্মী। মসি খঙবদগী বি জে পি মীপায়বা হৌরকখিবনি হায়রি।




কংলৈ শৈশক্লোন শিন্দমশংনা শিন্দুনা জে এন এম দি এদা পাঙথোকখিবা কলচরেল টুর ওফ খোঙজোম পর্ব ইন টেন দিষ্ট্রিক্টস ওফ মণিপুর লোইশিনবগী থৌরম

# মোবলাইল ইন্টরনেট সস্পেন্দ তৌখিবা অদুগী মতাংদা সী এমদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে




গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী): রিক্রুইটমেন্ট এগজামিনেসনশিংগা মরী লৈননা অসাম গভর্নমেন্টনা ইন্টরনেট সর্বিস সস্পেন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবা অমদি ঙসি পুং ৪ ইন্টরনেট সস্পেন্দ তৌখিবগী থৌওং অদু য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কোংগ্রেস এম পি প্রাদ্যুট বোরদোলোইনা গভর্নমেন্টকী ফিরেপ অদু হন্দোক্লবা তকশিনখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে হায়রি।

অসামদা ঙসি অমদি থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা রিক্রুইটমেন্ট এগজামশিং অসিদা কেন্দিদেটশিংনা অরানবা পান্থে শিজিন্নদনবা অমদি ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইনা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক হায়রিবা নুমিৎ অনী অসিগী ওইনা পুং ৪/৪ ইন্টরনেট সর্বিস সস্পেন্দ তৌনবা গভর্নমেন্টনা ফিরেপ লৌখিবনি।

অসামদা গ্রেদ থ্রি অমসুং ফোরগী ওইনা মীওই ৩০,০০০ রোমগী রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস পাঙথোক্কদৌরি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ২৫ দা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস অসি চথুগদৌরি। মসিদা করপসন অমদি অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা ইন্টরনেট সর্বিস সস্পেন্দ তৌনবা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌখ্রবসু মসিনা পব্লিক ইন্টরেষ্টতা চাওনা অকায়বা পীরি। মীয়ামগী য়েংলগা গভর্নমেন্টকী ফিরেপ অসি হন্দোক্কদবনি। লৈঙাক্লা চেকশিন্না অমদি থস্মোয় শেংনা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস অসি পাঙথোক্কে খল্লবদি ইন্টরনেট সর্বির্স সস্পেন্দ তৌদ্রবসু ইরায় লায়না পাঙথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা হিরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা অমুক হন্না মীৎয়েং চঙদুনা ইন্টরনেট সর্বিস সস্পেন্দ তৌবগী খোঙফম হন্দোক্কদবনি হায়রি।

# মচানুপীনা দোক্টরশিংদা কা হেনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরুবগীদমক সী এম জোরামথাঙানা লাল্লে হায়জখ্রে

আইজোল, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙাগী মচানুপীনা দোক্টর অমদা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাঙখিবা অমদি কা হেনবা থৌওং চথখিবা অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙা মশানা দোক্টর অদুদা হকথেংননা লাল্লে হায়জখিবগা লোয়ননা মীয়ামদসু মহাক্কী মচানুপীনা শোয়খিবা অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জখ্রে হায়রি।

জোরামথাঙাগী মচানুপী মিলারি চাংতেনা দোক্টর অমদা খুপাক্লা থাখিবা অমদি অথিবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা চৈখিবগী ভিদিও অমা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎলকখ্রবা মতুং চীফ মিনিষ্টর মশানা লাল্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ঙরাং ষ্টেট অসিগী দাক্টর ৮০০ হেনবনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা মিলারি চাংতেগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন, মিজোরাম চেপ্তরগী মেম্বরশিংনসু অমুবা বেজ থেৎতুনা দোক্টরশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু মপুং ফানা শৌগৎখি। এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা দোক্টরশিংগী মথক্তা অসিগুম্বা থৌওং চথরকখিবা অসি লাইবক থিবনি অমদি মখা তানা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়রি। সী এমগী মায়কৈদগীসু তুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা হোৎনগনি হায়রি।

# দিব্রুগরগী ওইল ফিল্ড চহী ১৫ গী মতুংদা অমুক মথৌ তৌবা হৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী): চহী ১৫ রোম মথৌ তৌরুদ্রবা ষ্টেটনা চলাইবা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী খাগোরিজান ওইল ফিল্ড হান্নগুম্না মথৌ তৌবা হৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রোমোরিয়াদা লৈবা খাজোরিজান ওইল ফিল্ড হান্নগুম অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌহনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখিবদা ওইল ফিল্ড অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৭ গী নবেম্বর ৭ কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল ইস্যুশিংনা মরম ওইরগা মথৌ তৌবা লেপখিবনি। অদুবু হান্না লৈরম্বা অৱাৎপা অমদি অশোইবশিং অদু মেনখৎপা মপুং ফানা লোয়খিবগা লোয়ননা অমুক হন্না ওইল ফিল্ড অসি মথৌ তৌবা হৌহনখিবনি। মখা তানা ওইল ফিল্ড অসিদা অয়েৎ অপনবা থোকহল্লক্তনবগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরম খুদিংমকসু পায়খৎপা লোইরে হায়রি।

# লম্বীগী এক্সিদেন্টতা মীওই ৩ শিরে

সিলচর, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মী য়াম্না চিনবা মফম অমদা ঙসি থোকখিবা গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা মীওই ৩ শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক অঙনবদা কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা কাটিগোরা এরিয়াদা থোকখিবনি। জিভন মিসন ৱার্কর্কী ওফিসলশিং পুদুনা লাকখিবা কার অমগা খোঙজেন য়াঙনা থৌরকখিবা ট্রুক অমগা থোমজিন্নবগী থৌদোক্তা কার অদুদা তোংলকপা মীওই ৩ শিরগা ৭ না শোকখিবনি।

এক্সিদেন্ট অদু থোকপগী পাউ ফঙবগা মরী লৈনবা পুলিসকী টিম অমা মফমদুদা চঙশিনখি। পুলিসনা থৌদোক থোকফম য়ৌশিনখিবা মতমদা মীওই ৩ দি কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা থৌদোক থোকফমদা অদুমক শিখিবনি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ৪ অদু খুদক্কী ওইবা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং মখা তানা ট্রিটমেন্ট চৎথনবগীদমক সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে হায়রি।

# অসাম পুলিসনা অল কাইদাগা মরী লৈনরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অহুম ফাবা ঙমখ্রে : রিপোর্ট



দিসপুর, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি): অল-কাইদা ইন্দিয়ন সব কন্টিনেন্ট অমসুং অন্সারুল্লা বাংলা টিমগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই ৩ অসাম পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা ফাবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ফারবা মীওই ৩ অদুগী মনুংদা অসামগী গোলপারা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মোস্ক অমগী ইমামসু য়াওরি। পুলিসনা অল কাইদাগা মরী লৈনরম্বা য়াই চিংনবদগী ফাখ্রবা মীওই ৩ অদুগী মনুংদা অনীদি মোর্নোয় পুলিস ষ্টেসননা কোনবা শরুক্তা লৈবা টিনকুনিয়া সান্টিপুর মোস্ককী ইমাম অবদুস সুভান, মসিয়া পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচন্না লৈবা টিলাপারা মতুম মোস্ককী ইমাম জলালুদ্দিন শৈখনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গোলপারা দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভি ভি রাকেস রেদিনা ফোঙদোকখিবদা মমাং থাগী অঙনবা শরুক্তা জিহাদি ইলিমেন্টশিংগা মরী লৈনবা অভাস অলি কৌবা মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মহাক ফারবা মতুং চথখিবা ৱাহং-পাউহংদা মহাক মশা য়াওনা পুলিসনা ফাগৎখ্রবা ইমামশিং অসি অল কাইদাগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি।

ইমামশিং অদু ফাখিবা মতমদা মখোয়না লৈরম্লিবা মফমশিং অদুদগী অল কাইদাগা মরী লৈনবা পোষ্টর অমদি লাইরিকশিং তোঙান তোঙানবা নেটৱার্ককী সিম কার্দ ১৮ অমদি তোঙান তোঙানবা শকখঙচে কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম পুলিসনা অল কাইদা ইন্দিয়ন সব কন্টিনেন্টকী মসা ওইরিবা বাংলাদেশতা বেজ তৌবা জিহাদি গ্রুপ অনসারুল্লা বাংলা টিমগী মীওই অমা বর্পেটা দিষ্ট্রিক্টতগী ফাবা ঙমখ্রে। অসামগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা অল কাইদাগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা চহী নৌরিবা নহা কয়া রিক্রুট তৌবগী থবক চথুরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফঙলবা মতুং হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা অসাম পুলিসনা থবক পায়খৎলকখিবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3621



**ACROSS**
1 Scheme (4)
3 Vindictive (8)
9 Backing (7)
10 Black and white beast (5)
11 Furious (5)
12 Equipment (6)
14 Language of Israel (6)
16 Wager (6)
19 Artist (anag) (6)
21 Rest period (5)
24 Yes, slangily (2-3)
25 Watch attentively (7)
26 Stopped (8)
27 Affirmative votes (4)

**DOWN**
1 Imitative artistic work (8)
2 Greek vowel (5)
4 Small and dainty (6)
5 Theme (5)
6 Organisation of admirers (3,4)
7 Be in front (4)
8 Cartoon spinach eater (6)
13 Devil-may-care (8)
15 Purveyor of meat (7)
17 Waylay (6)
18 In one's own house (2,4)
20 Cricket trophy (5)
22 Ahead of schedule (5)
23 Castro's land (4)

**Solution 3620**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4022

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | 7 | | 1 | | 2 | 3 |
| | 1 | 5 | | 2 | 9 | | | |
| | | | | 8 | 6 | | | |
| | 4 | 7 | | | | | 8 | 1 |
| | | 2 | | | | 3 | | |
| 8 | 3 | | | | | 5 | 9 | |
| | | | 9 | 4 | | | | |
| | | | 8 | 6 | | 4 | 5 | |
| 4 | 9 | | 5 | | 3 | | 6 | |

## Solution-4021

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 4 | 5 | 2 | 3 | 6 | 8 | 9 |
| 8 | 5 | 6 | 4 | 7 | 9 | 2 | 3 | 1 |
| 2 | 9 | 3 | 6 | 8 | 1 | 5 | 4 | 7 |
| 4 | 2 | 9 | 1 | 3 | 8 | 7 | 6 | 5 |
| 6 | 8 | 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 |
| 3 | 1 | 7 | 9 | 6 | 5 | 8 | 2 | 4 |
| 7 | 6 | 8 | 3 | 1 | 4 | 9 | 5 | 2 |
| 5 | 4 | 2 | 7 | 9 | 6 | 3 | 1 | 8 |
| 9 | 3 | 1 | 8 | 5 | 2 | 4 | 7 | 6 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

### APSC RECRUITMENT 2022 FOR 32 FISHERY DEVELOPMENT OFFICER

Assam Public Service Commission Fishery Development Officer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Fishery Development Officer in Assam Public Service Commission. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 24 September 2022. Candidates can check the latest Assam Public Service Commission Recruitment 2022 Fishery Development Officer Vacancy 2022 details and apply online at the apsc.nic.in/ recruitment 2022 page.
Assam Public Service Commission Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ apsc.nic.in/. Assam Public Service Commission selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of apsc.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Public Service Commission (APSC)
invites applications for recruitment of Fishery Development Officer
Fishery Development Officer
Job Location:
Jawahar Nagar , Guwahati, 781022 Assam
Last Date: 24 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 32 Posts
Assam Public Service Commission (APSC)
Assam Public Service Commission (APSC) Recruitment 2022 Details
Company Assam Public Service Commission
Job Role Fishery Development Officer
Education Requirement
Total Vacancy 32 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 30000 - 110000(Per Month)
Posted on 19 Aug, 2022
Last Date To Apply 24-09-2022
Educational Qualification: B.F.Sc. Degree from any College/University recognized by I.C.A.R. or D.F.Sc. or Master of Science (Fisheries) from C.I.F.E., Mumbai or any other institute of I.C.A.R.
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
30000 - 110000(Per Month)
Age Limit: The candidates should not be less than 21 years of age and not more than 38 years of age as on 01/01/2022.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Fishery Development Officer in APSC.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website apsc.nic.in
Step 2: Click on APSC Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 20 August 2022
Last date for application is: 24 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### TRIPURA STATE ELECTRICITY CORPORATION RECRUITMENT 2022 FOR SENIOR MANAGER

Tripura State Electricity Corporation Ltd Senior Manager Recruitment 2022: Advertisement for the post of Senior Manager in Tripura State Electricity Corporation Ltd. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 12 September 2022. Candidates can check the latest Tripura State Electricity Corporation Ltd Recruitment 2022 Senior Manager Vacancy 2022 details and apply online at the www.tsecl.gov.in/ recruitment 2022 page.
Tripura State Electricity Corporation Ltd Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.tsecl.gov.in/. Tripura State Electricity Corporation Ltd selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at West Tripura. More details of www.tsecl.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL)
invites applications for recruitment of Senior Manager
Senior Manager
Job Location:
Agartala, West Tripura, 799001 Tripura
Last Date: 12 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL)
Tripura State Electricity Corporation Limited (TSECL) Recruitment 2022 Details
Company Tripura State Electricity Corporation Ltd
Job Role Senior Manager
Education Requirement MBA, PGDM
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Agartala
Experience 10 - 15 years
Salary Not Disclosed
Posted on 12 Aug, 2022
Last Date To Apply 12-09-2022
Educational Qualification: MBA/PGDM
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Manager in TSECL.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for TSECL Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of TSECL - tsecl.in
Step 2: Here look for the TSECL Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 15 August 2022
Last date for application is: 12 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

